# মণিপুরগী নেসনল প্লেয়রশিংদা নুমিৎ খুদিংগী লুপা লিশীং অমমম পীরগনি : লেটপাও

ইম্ফাল, জুন ০৬ :
স্টেট অসিগী শান্নরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎনবগী পান্দমদা য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হায়খ্রে মদুদি মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা নেসনল লেবেলদা শান্নবা শান্নরোয়শিংদা নুমিৎ খুদিংগী লুপা লিশীং অমমম পীরগনি। হান্নদি স্টেট অসিগী নেসনল প্লেয়রশিংদা নুমিৎ খুদিংগী লুপা ২০০/২০০ পীরম্বনি।



মেরি কোম রিজনেল বোক্সিং ফাউন্দেসন্না শিন্দুনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা স্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা মেরি কোম-সাই বোক্সিং একাদেমিগী মেদল লৌরকখিবা বোক্সরশিং তরাম্না ওকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা লেটপাও হাওকিপনা হায়খি, মেদল লৌবা নৎত্রগা লৌদবগী ৱাফম্না তোখায়না থমখ্রগা মশান্না খুদিংমক্তা স্টেট অসিগী মহুৎ শিন্দুনা নেসনল থাক্তা অথোই অহেন তান্নবগী থৌরমদা শরুক য়াবা ঙম্বা শান্নরোয় খুদিংমক্তা নুমিৎ খুদিংগী লুপা লিশীং অমমম পীরগনি।

হায়রিবা থৌরাং অসি খুদক্তগী চৎনবা হৌহন্নবা দিপার্টমেন্টকী মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা য়াথং পীখ্রগনি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

অফবা শান্নরোয় অমা শেমগৎপদা মচি ওইবা চিঞ্জাক মচল শুনা চাবা মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, স্পেসল এরিয়া গেমস (এস এ জি) দা ত্রেনিং তৌরিবা শান্নরোয়শিংদা অফবা মখলগী চিঞ্জাক পীজনবা লৈঙাক্না অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। শান্নরোয়শিংদা চিঞ্জাক পীজবগী থৌওং মওং মরীল চুম্না চথহন্নবা থৌরাং অমসু লৌখৎলগনি।

নৌনা হৌগৎলক্লিবা বোক্সরশিংগী পূক্লিং থৌগৎলদুনা লেটপাও হাওকিপনা হায়খি, শান্নরোয় খুদিংমক্না অচৌবা মঙলান অমগা লোয়নন্না তুংদা স্টেট অমদি লৈবাক্কী মীংচৎ পুরক্কনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা শান্নগদবনি। করিগুম্বা মেরি কোমনা ঙম্বা থোক্লবদি ঐখোয়সু ঙম্ফম থোকই হায়বা ৱাখল শান্নরোয় খুদিংমক্না খনগদবনি।

নহা ওইরিবা বোক্সরশিংবু নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মেদল কয়া লৌরক্তুনা স্টেট অমদি ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়না মহাক্না শান্নরোয়শিংগী পূক্লিং থৌগৎখি।

শেম্থোক ৱাৎপা ইমুংগী মীওই কয়া মমিং লৈরবা বোক্সর ওইনা শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎপগীদমক মেরি কোম রিজনেল বোক্সিং ফাউন্দেসনবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, লাক্কদৌরিবা নুমিৎশিংদা ফাউন্দেসন অসিনা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরকপা ঙমগদবা অমসুং মশক থোকপা বোক্সর কয়া পুথোরকপা ওইরসনু।

মেরি কোম রিজনেল বোক্সিং ফাউন্দেসন্দা তম্লগা মশা মশাগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মহুৎ শিন্দুনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা স্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা মনা লৌখিবা বোক্সরশিংবু তরাম্না ওকখি। ফাউন্দেসন অসিগী বোক্সর ১৫ না হন্দক্তা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। অতোপ্পা বোক্সর ১৯ না শিলভর মেদল লৌখিবগা লোয়নন্না ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা বোক্সর ১৯ সু য়াওখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড, শিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রবা বোক্সরশিংদা মথংশিৎনা লুপা লিশীং ১০, লুপা লিশীং ৭ অমসুং লুপা লিশীং ৫ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা ফাউন্দেসন অসিবু লিংখৎলিবা রাজ্য সভাগী এম পি মেরি কোম অমদি সী আর পি এফকী দি আই জি এস কে শর্ম্মাসু শরুক য়াখি।

# পেনকেক সিলেট এসোসিএসন ওফ মণিপুর শেমখ্রে

ইম্ফাল জুন ০৬ :
ইন্দিয়ন পেনকেক সিলেট ফেদরেসনগী মিৎয়েংখাদা পেনকেক সিলেট এসোসিএসন ওফ মণিপুর হায়না মিংথোনবা স্টেট থাক্কী গভর্নিং বোদি অমা শেম্লে হায়না নৌনা শেম্লবা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ জুগেশ্বর সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, নৌনা শেম্লবা এসোসিএসনগী থৌ পুনবগীদমক কে এস ঐচ জুগেশ্বর সিংহবু প্রসিদেন্ট, এল শ্যাম কুমার সিংহবু ভাইস প্রসিদেন্ট, ডা. ৱাই মনিখুমনবু ত্রেজরর, এল রঞ্জিৎ সিংহবু জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং ৱাই বিরেন্দ্র সিংহবু জোইন্ট সেক্রেটরি, নাওরেম বোয়নাওবু কোওর্দিনেটর অমসুং এম দি জুমাখানবুনা পব্লিসিটি সেক্রেটরি, ৱাই সমানন্দ সিংহ অমদি হুইদ্রোম রোমেন সিংহবুনা মণিপুরদা পেনকেক সিলেট মশান্না চাওখৎহন্নবগী মতাংদা মরুওইবা থৌদাং লৌহন্নবা এসোসিএসন্না খল্লে হায়রি।

ইন্দিয়ন পেনকেক সিলেট ফেদরেসনগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, ফেদরেসন অসি এসিয়ন পেনকেক সিলেট ফেদরেসন অমসুং ইন্টরনেসনল পেনকেক সিলেট ফেদরেসন্দা এফিলিএট তৌরবা লৈবাক অসিগী অমত্তা ঙাইরবা নেসনল গভর্নিং বোদিনি।

ইন্দোনেসিয়াদগী হৌদোরকপা মার্সেল আর্টকী মশান্না মখল অসি ওলেম্পিক কাউন্সিল ওফ এসিয়ানা স্পোর্টস ইভেন্ট অমা ওইনা রিকগনাইজ তৌখিবা মরম্না ১৮ শুবা এসিয়ন গেমসতা ইভেন্ট অমা ওইনা য়াওরগনি। কম্মনৱেলথ গেমস অমদি ওলেম্পিক্তসু স্পোর্টস ইভেন্ট অমা ওইনা য়াওহন্নবা হোৎনরি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# রফেল নদাল অমদি নোভাক জোকোভিচ ফ্রেঞ্চ ওপনগী সেমী ফাইনেলদা থেংনরবা য়াই

পেরিস, জুন ০৬ :
ফ্রেঞ্চ ওপনগী মাপল্লক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা রফেল নদাল অমসুং দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নোভাক জোকোভিচনা করিগুম্বা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নগদৌরিবা মশা মশাগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিং মায় পাকপা থোক্লবদি সেমী ফাইনেলদা থেংনগদৌরি।



মমাঙগী চেম্পিয়ন জোকোভিচনা ফ্রেঞ্চ ওপন লৌদুনা ১৩ শুবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌনবা পান্দম থল্লি।

অমরোমদা, রফেল নদালসু তরারকশুবা ওইনা ফ্রেঞ্চ ওপন লৌনবা হোৎনরি। ক্বার্টর ফাইনেলদা জোকোভিচনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমগা থেংনরগনি। অমরোমদা, রফেল নদালনা স্পেনগী পেব্লো গারেনা বষ্টাগা শান্নরগনি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা থিয়েম ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা তরেৎশুবদা লৈরি। হৌজিক ফাওবদা দোল্লর ৭,০৪৯,৯১৮ গী মনা লৌবা ঙমখ্রবা শান্নরোয় অসি কুমজা ২০১৬ কী ফ্রেঞ্চ ওপনদা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

হৌজিক ফাওবদা মহাক্না টুর্নামেন্ট নিপান লৌবা ঙমখ্রবসু গ্রান্দ স্লামগী টাইটল অমত্তা লৌবা ঙমদ্রি।

অমরোমদা মশাগী চহী ৩০ শুরবা জোকোভিচনা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা অনীশুবদা লৈরি। দোল্লর ১০৮,৯৪০,৫৯৭ কী প্রাইজ মনি ফংখ্রবা মীওই অসি গ্রান্দ স্লাম টাইটল ১২ লৌখিবগা লোয়নন্না তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্ট ৬৭ কী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা ফ্রেঞ্চ ওপন্দা মহাক্না চেম্পিয়ন ওইখিবনি। মহাক্না হন্দক্কী ফ্রেঞ্চ ওপন টুর্নামেন্টকী ফার্ষ্ট রাউন্দদা মার্সেল গ্রেনোলরসপু ৬-৩, ৬-৪, ৬-২ দা; অনীশুবা রাউন্দদা জিয়াও সোসাবু ৬-১, ৬-৪, ৬-৩ দা; অহুমশুবা রাউন্দদা দিগো সুৱাটমেনবু ৫-৭, ৬-৩, ৩-৬, ৬-১, ৬-১ দা অমসুং মরিশুবা রাউন্দদা ওলবার্ট রেমোস বিনোলাসপু ৭-৫, ৬-১, ৬-৩ দা মায়থীবা পীরমখি।

অমরোমদা, থিয়েমনা অহানবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বনার্থ টোমিকপু ৬-৪, ৬-০, ৬-২ দা; অনীশুবা রাউন্দদা ইটালিগী সিমোন বোলেরিবু ৭-৫, ৬-১, ৬-৩ দা; অহুমশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী ষ্টিব জোনসনবু ৬-১, ৭-৬ (৭/৪), ৬-৩ দা অমসুং মরিশুবা রাউন্দদা অর্জেন্টিনাগী হোরাসিও জেবারোসপু ৬-১, ৬-৩, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি।

মশাগী চহী ৩১ শুরবা রফেল নদালনা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা মরিশুবদা লৈরি। হৌজিক ফাওবদা দোল্লর ৮৩,৫৭৩,১৭২ প্রাইজ মনি ওইনা ফংখ্রবা শান্নরোয় অসিনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ১৪ লৌখিবগা লোয়নন্না তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্ট ৭২ লৌখ্রে। কুমজা ২০০৫, ২০০৬, ২০০৭, ২০০৮, ২০১০, ২০১১, ২০১২, ২০১৩ অমসুং ২০১৪ দা মহাক ফ্রেঞ্চ ওপনগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

নদালনা অহানবা রাউন্দদা ফ্রাঞ্চকী বেনোট পেরিবু ৬-১, ৬-৪, ৬-১ দা; অনীশুবা রাউন্দদা নেদরলেন্দসকী রোবিন হাসেবু ৬-১, ৬-৪, ৬-৩ দা; অহুমশুবা রাউন্দদা নিকোলোস বাসিলাসবিলিবু ৬-০, ৬-১, ৬-০ দা অমসুং মরিশুবা রাউন্দদা রোবার্টো বোটিষ্টাবু ৬-১, ৬-২, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

HL-B/3812/16/4-15 june

# সাই প্রানিথনা অনীরকশুবা ওইনা থাইলেন্দ ওপনগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে

বেঙ্কোক, জুন ০৬ :
ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন শান্নরোয় বি সাই প্রানিথনা ইন্দোনেসিয়াগী জোনাটান খৃষ্টিবু ১৭-২১, ২১-১৮, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীদুনা থাইলেন্দ ওপনগী মেন'স সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।





অহুমশুবা সীদেদ প্লেয়র ওইরিবা প্রানিথনা মরিশুবা সীদেদ ওইরিবা ইন্দোনেসিয়াগী খৃষ্টিবু মায়থীবা পীনবা হোৎনবদা পুং ১ গা মিনিট ১১ চঙখি। সিঙ্গাপুর ওপন্দা মায় পাকখ্রবা মতুংদা প্রানিথনা থংনা থংননা মরুওইবা টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইবা হন্দক্না অনীরকশুবনি।

হৌখিবা জানুৱারী থাদা হায়দ্রবাদতা পাঙথোকখিবা সহিদ মোদি ইন্টরনেসনলদা মহাক ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি অদুবু সমির বর্ম্মাগী মখূৎতা মায়থীখি। মালেমগী ওইনা ২৪ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা প্রানিথনা ঙসি থাইলেন্দ ওপনগী ফাইনেল মেচতা অহানবা গেমদা মায়থীখি।

মেচ অদু লোইরবা মতুংদা মহাক্না পাউমীশিংদা হায়খি, থাইলেন্দ ওপন লৌনবা হোৎনবদা মতেং পাঙবিরকখিবা মীপুম খুদিংমকপু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মীয়ামগী মতেং য়াওদনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্লমদবা য়াই।

ইন্দোনেসিয়াগী জোনাটান খৃষ্টিনা অহানবদা ৩-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অদুবু প্রানিথনা য়াম্না কন্না হোৎনবদগী অকোনবদা ৪-৪ দা মান্ননা লৈখি। মতাং অমদা খৃষ্টিনা ১৪-১১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎপা য়াওখি। অদুবু প্রানিথকী হনবা লৈতবা থৌনাগা লোয়নন্না থৱায় য়াওনা শান্নবদগী ১৪-১৪ দা অমুক হন্না মান্ননা লৈখি।

অনীশুবা গেমদা প্রানিথনা ৫-০ দা মাঙজিল থাখিবগা লোয়নন্না মখা তানা ৯-৩ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অদুবু খৃষ্টিনা থংনা থংননা পোইন্ট ৬ লৌখিবদগী ৯-৯ দা মান্ননা লৈখি।

মতুং তারকপদা শান্নরোয় অনীমক্না থৱায় খূবাক্তা হাপ্পুনা শান্নবদগী ১৫-১৫ দা চপ মান্ননা লৈখি। অকোনবদা প্রানিথনা পোইন্ট অনী লৌদুনা ১৭-১৫ দা মাঙজিল থাখি।

প্রানিথনা ১৭-১৬ তা মাঙজিল থাদুনা লৈরবা মতুংদা থংনা থংননা পোইন্ট অহুম লৌবা ঙমখিবদগী গেম অদু ২০-১৬ তা লৈখি। মতুং তারকপদা পোইন্ট অনী খৃষ্টিনা লৌখি। অদুবু প্রানিথকী হৈথোই শিংথোইবা মশান্না কয়া উৎথোক্তুনা গেম অদু ২১-১৮ দা মায় পাকপা ঙমখি।

দিসাইদিং মেচতা খৃষ্টিনা ৭-২ দা মাঙজিল থারম্বদগী ৮-৩ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অদুবু প্রানিথনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পোইন্ট ৫ থংনা থংননা লৌদুনা ৭-৮ দা লৈহনবা ঙমখি।

অকোনবদা ৯-৯ দা লৈদুনা শান্নরোয় অনীমক অমনা অমদা হেনজিন্নবা ঙমদবা মওংদা শান্নখি। কায়নথংদা প্রানিথনা ২১-১৯ দা থোইদুনা থাইলেন্দ ওপনগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা থাইলেন্দ ওপনগী টাইটল লৌখিবগীদমক বি সাই প্রানিথপু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা পাউজেল অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখিবগীদমক বি সাই প্রানিথকী মফমদা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মহাক্না মরম ওইরগা ইন্দিয়াবু মালেমগী মীয়ামদা চাউথোকচনিংঙাই ওইহল্লে।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা সাই প্রানিথনা হন্দক্তা হায়দ্রবাদতা পাঙথোকখিবা সহিদ মোদি ইন্টরনেসনলগী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবসু সমির বর্ম্মাগী মখূৎতা মায়থীখিবনি।

# থ্রি নেসন্স ইনভিটেসনল টুর্নামেন্টতা জর্মনিনা ইন্দিয়াগী নুপা হোকি টিমবু ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে

দুসেলদোর্ফ, জুন ০৬ :
লৈবাক অহুমনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা থ্রি নেসন্স ইনভিটেসনল টুর্নামেন্টতা ঙসি য়ূম্নু ওইরিবা জর্মনিনা ইন্দিয়াগী নুপা হোকি টিমবু ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।



মমাঙদা জর্মনিনা বেলজিয়মবু ২-১ দা মায়থীবা পীখিবগা লোয়নন্না ইন্দিয়াগা শান্নবা অহানবগী মেচতা ২-২ দা দ্রো ওইখি। টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপগী মেচতা বেলজিয়মগা শান্নখিবদা ২-৫ দা মায়থীবা ফংখ্রবা জর্মনিনা ঙসি মশাগী হৈথোই শিংথোইবা পূন্নমক পুথোক্তুনা ইন্দিয়াবু য়াম্না লাকচনা থোইখিবনি।

ঙসিগী মেচ অদুদা মায় পাকখ্রবা জর্মনিনা পোইন্ট তরেৎ ফংখিবগা লোয়নন্না ইন্দিয়াগী ওইনদি পোইন্ট মরি ফংবা ঙল্লে।

মেচ হৌগৎলকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় খুদিংমক নিংথিজনা শান্নখিবগা লোয়নন্না অনীশুবা মিনিটতা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। অদুবু হরমনপ্রীট সিংহনা পেনালটি কোর্নরগী খুদোংচাবা লৌরগা গোল চন্নবা হোৎনবদা জর্মনিগী দিফেন্স প্লেয়রশিংনা হৈশিংনা ঙাকথোখিবদগী অরেম্বা তাখি।

ঙরাং বেলজিয়মগা শান্নখিবা মেচতা ইন্দিয়ানা ৩-২ দা মায় পাকপা ঙমখিবদা হরমনপ্রীট সিংহনা গোল অনী চনখিবনি।

রিও ওলেম্পিক্সতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রবা জর্মনিগী শান্নরোয়শিংনা মেচ হেক হৌবদগী এটেক তৌদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখি।

তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়া উৎথোক্তুনা মেচকী তরেৎশুবা মিনিটতা জর্মনিগী থিস ওলে রিঞ্জনা গোল অমা চনবা ঙমখি। ইকান কান্নদনা জর্মনিনা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি অদুবু ইন্দিয়াগী কিপর অকাস চিক্তেগী হৈশিংবা মশান্না উৎথোক্তুনা গোল চনবা ঙমহনখিদে।

অনীশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা তোঙানবা মওং অমদা শান্নদুনা জর্মনিগী দিফেন্স লাইন নমখায়নবা হোৎনখি। মেচকী ২৯ শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী অনীশুবা পেনালটি কোর্নর ফংখি। অদুবু গোল চনবা ঙমখিদে। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা জর্মনিনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

LOAN AVAILABLE

1. মখল খুদিংগী Farm, লৌ, ইস্কোল অমসুং building য়োনবীনীংবা মীওইশিংগী খুদোংচাবা লৈগনি।
2. মখল খুদিংমক্কী গাড়ী 2 wheeler/3wheeler শিংগী exchange তৌবগী খুদোংচাবা লৈগনি।
3. SERVICE LOAN
4. PENSION LOAN

L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI
near Yumjao Lairembi Maning

Branches at :
Moirang Patlou, Nambol Phoijing Lambal, Sekmai Koujengleima, Thoubal Okram, Kakching Opp. Police Station, Samurou Near Machu Hall.

